৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# লুৱৌহাওগী হেটট্রিকনা কে ৱাই সী (এন) খুরখুল মায় পাকহনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী কে ৱাসসীখুরখুলদা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা লুৱৌহাওগী হেটট্রিকনা কে ৱাই সী (এন) খুরখুল মায় পাকহনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১১না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী অহানবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই সী (এন) খুরখুল অমসুং কে এ এন (কদাংবন) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা কে ৱাই সী (এন) খুরখুলনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু কে এ এন কদাংবনগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা হাইজিনবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা কে ৱাই সী (এন) খুরখুলগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা ফজরবা এটেক অমদা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় লুৱৌহাও জর্সি নম্বর ৩ পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচক ৪৮শুবা মিনটতা লুৱৌহাওনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা লুৱৌহাওনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা কে এ এন কদাংবনগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ঙমদবদগী মেচ অদু কে ৱাই সী (এন) খুরখুলনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খুরখুল জি পিগী প্রধান ইরুংবম শান্ত, খোঙহাম্পাৎ জি পিগী প্রধান য়েংখোম মুহিন্দ্রো, পোৎশংবম জি পিগী প্রধান মৈস্নাম মঙ্গি, লাইরেনকাবী কদাংবম জি পিগী এক্স প্রধান এলাংবম প্রেমকুমার, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম মোবিচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা অন্ফাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমার, অন্ফাগী ত্রেজরর চেতনসু শরুক য়াখি।

৩৪শুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# নুপীমচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গী ইন্দিয়ন রাউন্দদা মোইরাংথেম বেবিনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ভিকাশ আর্চরি একাদেমিনা শীন্দুনা ঙসিদগী পোরোম্পাৎকী ঈ ৱাই সী এ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৩৪শুবা জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গী ইন্দিয়ন রাউন্দদা কে এম এ সী য়ুনিটকী মোইরাংথেম বেবিনা পোইন্ট ৬৫৯ ফংদুনা অহানবা, বি সী এ সী য়ুনিটকী দল্লিয়ু মালেশ্বরিনা পোইন্ট ৬৪৮ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা সাই আর সী য়ুনিটকী এল সোফিয়ানা পোইন্ট ৬৩২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

তোঙান তোঙানবা নুপামচা ১০৮ অমদি নুপীমচা ৫৬ পূন্না আর্চর ১৬৪না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৩৪শুবা জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপামচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গী ইন্দিয়ন রাউন্দদা আই টি এ সী য়ুনিটকী এস রোবার্টনা পোইন্ট ৬৬৬ ফংদুনা অহানবা, এ সী ঈ য়ুনিটকী সী ঐচ রিশিকেশনা পোইন্ট ৬৬৫ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ য়ুনিটকী এল য়োহেনবনা পোইন্ট ৬৬৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক ইন্দিয়ন রাউন্দদা সাই আর সী য়ুনিটকী এল সোফিয়ানা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অহানবা, কে এম এ সী য়ুনিটকী মোইরাংথেম বেবিনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ য়ুনিটকী শীটল কুমারিনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপামচাগী ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক রাউন্দদা আই টি এ সীগী এস রোবার্টনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা অহানবা, এ সী ঈ য়ুনিটকী সী ঐচ রিসিকেশনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা এফ এ সী য়ুনিটকী এম চীংখৈনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী টিম ইন্দিয়ন রাউন্দদা কে এম এ সী য়ুনিটকী মোইরাংথেম বেবি, মিলোনিয়া থোকচোম, ভিলেনিয়া থোকচোম, য়ুম্নাম রুশমিনা অহানবা, এন এস এগী শীটল কুমারি, চীংলেম্বী, হেনথোই, টিঙ্কলনা অনীশুবা অদুগা সাই আর সীগী সোফিয়া, সরিকা, অঞ্জুবলানা অহুমশুবা তাখি। নুপামচাগীদা কে এম এ সীগী বিসন, বোবি, ব্রিটেনজিৎ, বিকিনা অহানবা, আই টি এ সীগী রোবার্ট, প্রেম, নিপোন, সঙ্গোইস্নানা অনীশুবা, বি সী এ সীগী হেল্লর, মিলন, বোরিশ, ওলেননা অহুমশুবা তাখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম এ এফ সি ক্কালিফিকেসন রাউন্দগী অরোইবা মেচসু মায়থীখ্রে



অল খোবার, ওক্টোবর ১০(এজেন্সি): এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা চহী ১৯ মখাগী এ এফ সি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি গ্রুপ এফকী ৩শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম অফগানিস্তানগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীবা নংদুনা ক্কালিফিকেসনগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

ঙসি অফগানিস্তানগী মখুৎতা মায়থীখিবা অসি থারগা ইন্দিয়ানা শান্নখিবা মমাঙগী মেচ ২সু মায়থীবা নংখিবনি। মেচকী অহানবদা উজবেকিস্তানগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং থা অসিগী ৮দা শান্নখিবা সাউদি অরাবিয়াগী মেচ অদুসু ০-৪দা মায়থীবা নংখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এসিয়াগী অতোপ্পা অরিংবা টিমশিংগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবা অসিনা চহী কাংলুপ অসিগী শান্নরোয়শিং অসিনা সিনিয়র থাক্তা লাকপা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্নগদৌরি।

ঙসি মেচকী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা অফগানিস্তানা কোর্নর কিক অমা ফংখিবা বোল অদু টিম অদুগী কেপ্টেন অহমদ রমাকিনা চনখি।

৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাংজিল থারবা অফগানিস্তানগী মায়কৈদগী অহমদ নোসাদনা লোংরেঞ্জর অমা কাউশিল্লকপা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দর অমদগী থকচিল্লগা অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা ২২শুবা মিনটতা ফঙকি। বিক্রম প্রতাপনা কাউশিনখিবা সোট অদু মখোয়গী গোল কিপ্পর হায়দি জাদানা থিনগৎখিবনি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা অফগানিস্তানগী খতিম দেলনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংদগী নাথোরকপা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ৩ হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ৩৫শুবা মিনটতা গুরকিরত সিংহনা কাউশিনবা ফ্রি কিক অমা ক্রোসবারদা পাল্লগা পাঞ্জল ওইহৌখিদে। মখা তারকপা মতমদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী এটেক চথুরকখিবা মশিং য়ামখি। অদুবু মখোয়না পামখিবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

# টোমরনা শুটিংদা ইন্দিয়াগী ১৩শুবা ওলিম্পিক কোটা ফংখ্রে



দোহা, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্লিবা ১৪ রক শুবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিনয়নশিপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শুটর অস্বরিয়া সিংহ টোমরনা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী কোটা ফংখ্রে।

ঙসি দোহাদা নুপাগী মিটর ৫০গী থ্রি পোজিসনগী ফাইনেলদা শুটর ৮না লম্বা তৌনখি। চহী ১৮দা ঙাইরিবা অস্বরিয়া সিংহ টোমরনা ক্কালিফাইয়িংদা পোইন্ট ১১৬৮ ফংলগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। লোয়ননা ফাইনেল অদুদা টোমরনা পোইন্ট ৪৪৯.১ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা সাউথ কোরিয়াগী কিম জেং গিয়ুননা পোইন্ট ৪৫৯.৯দা লৌখিবনি। অদুগা সিলভর অদুনা চাইনাগী ঝোং হাউ ঝাওনা পোইন্ট ৪৫৯.১দা লৌখি।

ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অনী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ক্কালিফিকেস রাউন্দদা লৈহৌখি। নিংশিংবা য়াই, চহী ১৮দা ঙাইরিবা অস্বরিয়া সিংহ টোমরনা ইভেন্ট অদুগী জুনিয়র কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শুটর ১৩না ওলিম্পিক্কীদমক ক্কালিফাই ওইবা অসি হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়াল্লি। লন্দনগী ২০১২তা শুটর ১১ অদুগা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা শুটর ১২ ক্কালিফাই ওইখি।

# দিপক চাহরগী হেটট্রিকনা বংলাদেশপু ইন্দিয়ানা রন ৩০দা মায়থীবা পীদুনা মেচ ৩গী টি-২০ সেরিজ লৌখ্রে



নাগপুর, ওক্টোবর ১০(এজেন্সি): বংলাদেশকী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা টুর অমা লাক্লিবা অসিগী মনুং চন্না টি-২০ মেচ ৩গী সেরিজগী অরোইবা মেচ অদু ঙসি ইন্দিয়াগী বোলর দিপক চাহরগী হেটট্রিকনা ফজহন্দুনা রন ৩০দা ইন্দিয়ানা মায় পাক্তুনা সেরিজ অদু ২-১দা লৌখ্রে।

পনবা য়াই, টিম অনীনা শান্নখিবা অহানবা টি-২০ মেচ অদু বংলাদেশনা থোইখিবনি। অদুগা অনীশুবা মেচ অদুনা ইন্দিয়ানা থোইরগা ঙসিগী মেচ অদুনা সেরিজ দিসাইদর ওইখি।

মেচকী টোস বংলাদেশকী কেপ্টেন মহামুদুলানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭৪ লৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৪শুবা মেটচমেন শ্রিয়াস আয়রনা শুপ্নগী বোল ৩৩দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬২ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

৩শুবা বেটচমেন লোকেস রাহুল বোল ৩৩দা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫২ লৌরমখি। মনিস পান্দেগী রন ২২ অমসুং সিখর ধৱনগী রন ১৯ পনবা য়াই।

মেচ অদু মায় পাক্নবা বংলাদেশনা রন ১৭৫গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ২০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক রন ১৪৪দা আউট ওইদুনা ইন্দিয়ানা মেচ অদু রন ৩০দা থোইদুনা সেরিজ লৌখি। ইন্দিয়াগী বোলর দিপক চাহরনা শুপ্নগী রন ৭ খক পীরগা ৱিকেট ৬ লৌদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

# থৌবালগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল টেবল টেনিস টুর্নামেন্টশিংদা রেঙ্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন (টি দি টি টি এ) থৌবাল ৱাংমতাবনা শীন্দুনা ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

টি দি টি টি এগী হোলদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ও সুরজকুমার, টি দি টি টি এগী প্রসিদেন্ট ডা. ও ইবোপিশক, এদিসনেল এস পি (ওপস) থৌবাল সোইবম সচিদানন্দনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হিমাচল প্রদেশ টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী ২২ ফাওবা হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মসলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু টি টি ৮শুবা কেদেট অমদি সব জুনিয়র নেসনল এন্দ ইন্টর ষ্টেট টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা তাইবঙ শেন্বা মপুদা থৌনিজখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয় পূন্না ১৮গী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততগী ১০ য়াওরি হায়রি।

পনবা য়াই, থৌরম অদুদা রেঙ্ক ৱাংনা মায় পাক্লকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শকখঙচে অমদি অচম্বা খুদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# ৱান চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী রোশননা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): সিঙ্গাপুরদা লৈবা ইভোল্ব মিক্স মার্সিএল আর্টসনা স্পোন্সর তৌদুনা ফিলিপিনগী মনিলাদা পাঙথোকখিবা ৱান চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর মচা মাইনম রোশননা কম্বোদিয়ন শান্নরোয় খোন সিচানবু অর্ম লেকতা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রে।

মাইনম রোশন থৌবাল ৱাংমতাবা সোরোক মথক্তগীনি। সিঙ্গাপুরদা লৈবা ইভোল্ব মিক্স মার্সিএল আর্টসতা য়াওবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোয়নি অমদি মণিপুরগী ওইনসু অহানবনি। ঙরাং নুংথিল শান্নখিবা ফাইট অদুদা মহাক্না কম্বোদিয়ন শান্নরোয় খোন সিচানবু অহানবা রাউন্দগী মিনট ৩গা সেকেন্দ ১৯দা অর্ম লোক তৌদুনা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক সিঙ্গাপুরদা লৈবা ইভোল্ব মিক্স মার্সিএল আর্টসনা মফম কয়াদগী লাকপা শান্নরোয় ৩০০গী মনুংদা শান্নরোয় ৫ খনগৎপদা রোশন য়াওখিবনি।

মণিপুর গোল্ডন বেবি লীগ ২০১৯

# অন্দ্রো গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর স্পোর্টস হোর্সনা শীন্দুনা অন্দ্রো কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা চথুরিবা মণিপুর গোল্ডন বেবি লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১০ মখাগী নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী মেচশিংদা অন্দ্রো গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলনা টম মিসন হায় স্কুলবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুর গোল্ডন বেবি লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১০ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী মেচশিংদা টম মিসন হায় স্কুলনা জি এম এস এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। টামিশা এফ সীনা সেন্ট জোসেফ (এ) বু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। ব্রাইটর পব্লিক স্কুলনা সেন্ট জোসেফ (বি) বু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ু এম এফ সী (এ) না জি এম এস এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ু এম এফ সী (বি) অমসুং নুংব্রং এফ সী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

য়ু এম এফ সী (এ) না ব্রাইটর পব্লিক স্কুলবু পাঞ্জল ১-০দা, হিয়াই এফ সীনা অন্দ্রো গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১দা, আই জি একাদেমিনা টম মিসন হায় স্কুল (গালর্স) বু পাঞ্জল ৭-০দা, নুংব্রং এফ সীনা টম মিসন হায় স্কুলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। য়ু এম এফ সী অমসুং মণিপুর স্পোর্ট হাওস পাঞ্জল ১-১০দা দ্রো চৎখ্রে। আই জি একাদেমিনা হিয়াই এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। নুংব্রং এফ সী অমসুং ব্রাইটর পব্লিক স্কুল পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখ্রে। য়ু এম এফ সী (বি) না সেন্ট জোসেফপু পাঞ্জল ৩-০দা, আই জি একাদেমিনা অন্দ্রো গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলবু পাঞ্জল ৩-০দা, মণিপুর স্পোর্ট হাওসনা টমিশাবু পাঞ্জল ৩-০দা, টম মিসন হায় স্কুল (গর্লস) অমসুং সেন্ট জোসেফ স্কুল পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা হিয়াই এফ সীনা ব্রাইটর পব্লিক স্কুলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

# মায় পাক্লবা ত্রেনরশিংগী সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ যোজনা স্কিমগী মখাদা য়ু-ফিটনেস সেন্টর শিংজমৈ কোংবা রোর্দনা শীন্দুনা মায় পাক্লবা ত্রেনর ১২০ রোমদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

মায় পাক্লবা ত্রেনরশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ১৪-উচিৱা নোংচুপকী জিলা পরিষদ সেরাম নিকেন, য়ু-ফিটনেস সেন্টরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ কুলেশ্বর, আই এস টি ভিগী সেক্রেটরি কে খোগেন, বিজয়া বেঙ্ককী মেনেজর রৌসাংলিয়ান নাওলাক, দি আই সীগী রিটয়ার্দ জেনরেল মেনেজর সেরাম থোইবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): কোলকটাগী সোল্ট লেক্তা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথুগদৌরিবা ১৯শুবা সব-জুনিয়র ৱুশু নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী তাওলু ইভেন্ট অমসুং সান্দা ইভেন্টকী অৱাৎপা ৱেট কেটেগোরিগী ত্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১২গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা তাকয়েল ন্যু মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি। শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাং, অধার কার্দ, বর্থ সার্টিফিকেট পুরক্কদবনি হায়না ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# শুটিং টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস): উত্তর প্রদেশকী ফরিদবাদ মানব রচমা য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ১২দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি শুটিং (মেন্স/ ৱিমেন্স) কম্পিটিসন ২০১৯-২০দা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবা মেন্স অমসুং ৱিমেন্স শুটিং টিম খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি বি এস সী (স্পোর্টস কোচিং) দগী উশম খৃষ্টোফর, বি এস সীদগী কোংব্রাইলাৎপম অসিশ শর্ম্মা, বি এস সীদগী রোসন থাংজম অমসুং এম এ স্পোর্টস সাইকোলোজিদগী শিমি লৌক্রাকপমনি।

এন এস য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনা এপ্রুভ তৌখিবা এস য়ু পি স্পোর্টস কম্পিটিসনগী মতুং ইন্না টি এ/দি এ পীগনি হায়রি।

# কুঞ্জরানি ষ্টোন এনগ্রেভিং দুকান্দগী খঙলবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএশন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক মীট ২০১৯গা মরী লৈননা ওক্টোবর ২৬ অমসুং ২৭তা পাঙথোকখিবা ত্রায়ল কম সেলেক্সন অদুদা খল্লবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংনা হরিয়ানাগী পাঞ্চকুলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১শুবা নেসনল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুগদৌরি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক্তা লৈবা কুঞ্জরানি ষ্টোন এনগ্রেভিং দুকান্দগী খঙলবা য়াগনি হায়না মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি আর কে চৌরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# য়াইস্কুল অমসুং নম্বোল দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ, য়াইস্কুলনা শীন্দুনা গোপালদেব কাংশঙদা চথুরিবা ৫শুবা শ্রীশ্রী গোপালদেব সুপর লীগ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎ পাঞ্জল ১৬-১৬তা দ্রো চৎখ্রে।



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.



HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com